# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 11-02-2025)

**মনিপুর (এল) ঃ** রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মুখ্য মন্ত্রি ফম থাদোকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা মনিপুরগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি কনানা ওইগদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদগী রাজ্য অসিদা ওইরিবা রাজনিতিগী ফিভম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না বি.জে.পিগী লোক সভা এম.পি. অমদি দল অসিগী ৱাঙাংলোই ওইরিবা-সম্বিৎ পত্রানা ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা হোটেল ইম্ফালদা বি.জে.পি, এন.পি.এফ অমদি এন.পি.পিগী এম.এল.এশিং য়াওনা রাজনিতিগী তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনখি। মসিগী তুংদা, ঙসি নুংথিল মহাকা রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নখ্রে।

**সনাজাউবা (এল) ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা মনিপুর মাজর এগ্রীমেন্ট চপ চানা থবক্তা ওন্থোকবা ঙসি রাজ্য সভাদা তকশিনখ্রে।

জিরো অৱারগী মতমদা মহাকা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা হায়-হৌখিবা চহি কয়াগী মমাংদা পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা এগ্রীমেন্ট অসি করিগুম্বদা ইকায় খুমবীবা নৎত্রগা খন্নখিবা লৈত্রি। মসিনা মনিপুর মীয়ামগী পুকিং ৱাখলদা চাউনা চৈথেং পীরি।

মহাকা হায়-মনিপুর অসি অপিকপা রাজ্য অমা ওইজরবসু মতম অমদা চহি লিশিং মঙা হেনবগী ইতিহাস অমদি খুন্নাইরোল অমা লৈজরক্লবা মনিং মখা তমা হিংলম্বা লমদম অমা ওইরম্মী। মনিপুর মাজর এগ্রীমেন্ট ১৯৪৯ হায়বা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা হায়রিবা চহি অদুদগী মনিপুর ভারতকী শরুক অমা ওইনা তিনখি।

য়ান্ন-ৱারোল অসিগী আর্টিকল নিপানগী অরোইবা পেরাদা য়াওরিবা মনিপুরগী শেল থুমগী ফিভম, নাৎকী চৎনবী অমদি রাজনিতিগী থাক অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা ৱাফম ময়েক শেংনা পল্লি।

শ্রী সনাজাউবনা মখা তানা হায়-ঙসি ফাওবা য়ান্ন-ৱারোল অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং থবক্তা চপ চানা ওন্থোকপা লৈত্রি। মরম অদুনা, লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা য়ান্ন-ৱারোল অসি ঙাকা চৎপীদুনা মনিপুরগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু ফোংদোকখি।

**লেকচর(এল) ঃ** দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোসোফিনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা এক্সটেন্সন লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙরাংদগী কলেজ অদুগী কেম্পসতা হৌখ্রে।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিলোসোফিগী প্রোফেসার-টি. নিলননা ইসেন্স ওফ দা ফিলোসোফি ওফ দা বেদস, দিপার্টমেন্ট অসিগী হান্নগী হেদ-প্রোফেসার-এস. লোকেন্দ্রজিৎ অমদি দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী হান্নগী প্রিন্সিপাল-প্রোপেসার এ. দোরেন্দ্রোনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

এক্সটেন্সন লেকচর প্রোগ্রাম অসি হয়েং ফাওবা চথগনি হায়রি।

**এরেষ্ট (এল) ঃ** থৌবাল পুলিস কম্মান্দোনা ১৬২ শুবা বটালিয়ন বি.এস.এফকা খুৎশমদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা জিলা অসিগী লিলোং হাউরৈবী তুরেল অহনবীদগী মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মঙোন্দগী নিশা ওইনা শিজিন্নবা দ্রগকী পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে। মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মহাক্কী মথক্তা থিজিন্নবগীদমক লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**এআর(এল) ঃ** তমেংলোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সেমপাং ৱাটর ফোল মনাক্তা তুরেলদা তাশিনখিবা গাড়ি অমা অসাম রাইফলসনা লৌখৎপা ঙমখ্রে। গাড়ি অদু তুরেল মপানদা খাম্বদগী খঙহৌদনা ওন্থখিবনি হায়রি।

অদুমওইনমক, ঈচেল অদুগী ঈরৈ কনমনখিবনা খুঞ্জাশিংনা কনবা ঙমদবদগী খুদক্তা অসাম রাইফলসতা পাউ পীরকখি। অসাম রাইফলসনা খুদক্তা মফম অদুদা গাড়ি লৌখৎনবা খুৎলায় য়াওনা চংশিনবদগী গাড়ি অদু ঙমখি অমদি দ্রাইভর অদুসু খুদোংথিবা থোক্কদবদগী কলহৌরে হায়রি।

**ওর্দর (এল) ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ক্লাস এলভেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষা থা অসিগী ১৭ তগীনা ২৬ ফাওবা চথুগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা পরিক্ষা সেন্টরশিংদা শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লকপা থিংনবা অমসুং পরিক্ষা নিয়ম চুমা চথুহন্নবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা পরিক্ষা সেন্টরশিংগী মিটর ১০০ না কোনবা মফমশিংদা অথিংবা থমলে।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অথিংবা অসি পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিং, ওফিসিএলশিং অমদি পরিক্ষা অসিগা মরী লৈননা শিজিন্নরিবা গাড়িশিংগীদি অথিংবা অসি কোমথোক্কনি।

**আপিল (এল) ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা মীয়ামনা শান্তি অমদি পুকিং ফাথনা লৈবিনবা মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহনা আপিল তৌরি।

চেরোল অমদা মহাকা হায়-হৌজিক ওইরিবা মনিপুরগী ফিভম অসিদা মীয়ামনা চপ চান্না খঙদ্রিবা অমদি অরানবা পাউ কয়া শন্দোকপা থেংনরে। মসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী তংদু লৈতাদবা অমদি শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা ওইহল্লকপা য়াই। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চেন্নেলশিংদা মীয়ামদা চমমবা পোকহনগদবা ই-পাউ কয়া শন্দোরকপা থেংনরে। ফিভম অসি

য়েংলগা মীয়ামা চপ চাবা অচুম্বা পাউ খঙনিংলবদি  পুলিস কন্ট্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর-৯৪৮৫-২৮০-৪১৯ দা ফোন তৌরকপা য়াগনি। টেলিফোন অসি পুং ২৪ চুপা হাংদুনা থমগনি। মরম অদুনা, মীয়ামবু চমমবা পোকহনগদবা ই-পাউ অমদি তোকঙানচিংবা শন্দোকপীদনবা চীফ সেক্রেটরিনা আপিল তৌরি।

**বিষ্ণুপুর (এল) ঃ** হেন্না ফবা ইন্টরনেটকীদমক ঐখোয় পুন্না হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঙসি বিষ্ণুপুর দি.সি. ওফিস কনফরেন্স হোলদা সেফর ইন্টরনেট ডেগী ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী ইনফোরমেটিক ওফিসার-রাজকুমারী রোমিতানা হায়-হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা ইন্টরনেটকী কান্নবশিং লৌগদবনি। ইন্টরনেট হায়বসি নীংথিনা শিজিন্নরবদি য়ামা কান্নবা অদুগা লান্না শিজিন্নরগা য়ামা খুদোংথিবা য়াবা অমনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা এন.আই.সি. বিষ্ণুপুরগা খুৎশমনবা শিনবা ৱার্কশোপ অদুগী মনুং চন্না কুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

**টোবেকো (এল) ঃ** নেসনেল টোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টোবেকো কন্ট্রোল সেল-চান্দেল অমদি সঙাইয়ুথ টোবেকো ফ্রি এন্দ এদুকেস্নেল ওর্গনাইজেসন ইম্ফালনা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা নিশা শিজিন্নবনা অমাঙবশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**নোটশ(এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবম অমদি মন্ত্রিপুখ্রি রেভিন্যু ভিলেজশিংগী লেন্দ রেকোর্ড কম্প্যুটরাইজ তৌবা লোইরে। মরম অদুনা পট্টদারশিংনা কম্প্যুটরাইজ তৌরবা জমাবন্দিশিং মরি লৈনবা রেভিনিয়ু ভিলেজশিংগী ওফিসতগী হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ১১ ফাওবদা লৌরবা য়াগনি হায়রি।

**ককচিং (এল) ঃ** নোংমগী ওইবা যোগা কেম্প অমা ককচিং চুমনাং লৈকাইদা মচিন-মনাও চীংলক্তা লৈবা অনন্দ সিংহ যোগ অমদি নেচর কিয়োর রিছার্স হোস্পিতালদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা পুন্না শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি সেসন অনি থোকা পাঙথোকখি।

**মৈ (এল) ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদ (এম.এস.পি.দি.সি.এল) না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ২৬ ফাগৎলে। লোয়ননা কঞ্জুমর ৫২ না দিসকন্নেক্ট তৌখ্রে। মখা তানা মৈ লান্না শিজিন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক চথখিগনি হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোকপা এ.আই. এক্সন সমিটনা মালেমগী মীওই কয়াগী হকশেল, শিক্ষা, লৌউ শিংউ অমদি অতৈ চাউখৎ থৌরাংদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্লগনি।

এ.আই. এক্সন সমিটনা মীওইবগী তোঙান তোঙাবা হীরম কয়াদা অহোংবা পুরকপগা লোয়ননা কান্নবা কয়া পুরকপা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-ভারতকী দিজিটেল পাব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা লৈবাক অসিগী মীওই বিল্লিয়ন ১.৪ দা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে অমদি লৈঙাক সাসনদা অওনবা কয়াসু পুরকপা ঙমলে।

**সেসন ঃ** লোক সভাদা ঙসি কেন্দ্রগী বজেট ২০২৫-২৬ মখা তানা খন্নবা হৌরে।

খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা সমাজৱাদি পার্টিগী অখিলেস য়াদবনা হায়-হ

দক্কী বজেট অসিদা মীয়ামগী কান্নগদবা ৱাফম কয়া য়াওদ্রে। বজেট অসিনা লৈবাক অসিগী ভিক্সিত ভারত ভিজন খক্তদা মীৎয়েং থমলে। মসিনা লৌমীশিংদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লে। বজেট অসি ইনাক খুনবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা বজেটনি হায়না মহাকা মরাল শিরি। বজেটকী খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পিগী হেমা মালিনিনা হায়-বজেট অসি লৈবাক অসিগী লৌমী অমসুং নুপীশিংগীদমক খুদোংচাবা পীবা বজেট অমনি। বজেট অসিনা খুঙ্গংদা লৈরিবা স্কুলশিং অমসুং মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম নীংথিনা ফগৎহল্লগনি। হন্দক্কী বজেট অসিদা লুপা লাখ ১২ ফাওবগী আই লাকপশিংগী টেক্স কোকপীগনি হায়রিবসি য়ামা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমনি হায়না মহাকা শিংথাখি।

**মীতিং ঃ** মোলদ্বিপস পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম বিরলাগা ঙসি উন্নখ্রে।

মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদু পিপলস মাজলিজ ওফ মোলদ্বিপসকী অধ্যক্ষ-অব্দুল রাহিম অব্দুলনা লুচিংলকখি। উন্নবা অদুদা ওম. বিরলানা হায়-মোলদ্বিপস লৈবাক অসি ভারতকা চহি চা কয়াদগী মসিগী নাৎ অমসুং সংস্কৃত্তি, শেল থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনদুনা লাক্লি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্দুনা তুংগী আশা কয়া পীরি। লৈবাক অসিনা সংবিধান চৎনরকপা চহি ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। ভারতকী সংসদতা দিজিটেল টেকোলোজি শিজিন্নরিবা অদুগী মতাংদসু অধ্যক্ষনা মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবু অদুদা নীংথিনা খঙহনখি।

**পসার ভারত্তি ঃ** প্রসার ভারত্তিগী চীফ ইগজকিটিব ওফিসার-গৌরব দ্বিবেদিনা ঙসি মুম্বাইদা অকাশবানি অমসুং দুরদর্শনগী ওফিসিএলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা অকাশবানি অমদি দুরদর্শননা শন্দোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখি অমসুং অতাবা অমসুং অয়েংবশিংগী পুকিং চিংশিনবা য়াবা অমদি কান্নগদবা থৌরমশিং ওফিসিএলশিংনা পুথোকবা খঙহনখ্রে।

**মিজোরাম ঃ** অসাম রাইফলসনা মিজোরামদগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা কোতি অমা লাখ ৮৪ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর ফারে।

অসাম রাইফলসনা মিজোরাম পুলিসকা খুৎশমরগা মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ম্যান্মার মচা অনিদগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়রি।

**গেমস(এল)ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী ১৫ নি চনবা নুমিৎতা জদো মশান্নাদা মনিপুরনা শেঞ্জেনগী তকমান অনি লৌবা ঙমখ্রে।

মনিপুরনা হৌজিক ফাওবা সনাগী ১২, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ২১ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা ৮ শুবদা লৈরি।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ৪৫, লুপাগী ১৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৭ পুন্না তকমান ৮০ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

মহারাস্ত্রানা সনাগী ৩৩, লুপাগী ৪৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪৮ পুন্না তকমান ১২৯ ফংদুনা অনিশুবদা লৈরি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইয়োনর ক্লবনা শিনদুনা কিয়ামগৈগী হৈবোং মখোঙ লম্পাক্তা চথুরিবা ১৩ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বি.এস.এম. কাঞ্চিপুরনা চিঙ্গোই এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইস অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লালাম্বুং মখোঙনা ক্ষেত্রিগাউবু ব্রিকেট

১০ দা থোইখ্রে।

কোংবা ধোবী লম্পাক্কী সোদোক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা খাঙবোকনা থৌবাল ৱাংখেমবু রন-৩৬৮ তা থোইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পার্ট ফোরগী পি.টি.আর.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা লোটস হিয়াংলমনা রুল-মৈত্রমবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

তাউথোং লমশাংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা-সেদো-থাংমৈবন্দনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিনগী ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.সি.সি.ময়াইকোইবীনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ময়াইকোইবী পি.সি.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা অল আমিন লিলোংনা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুংবু রন-২৬ তা থোইখ্রে।